# ‘স্বোর্দ ওফ ওনর’ ফংখ্রবা এয়র মার্সেল আর কে এস ভাদৌরিয়ানা অনৌবা এয়ার চীফ ওইরগনি

**নু দিল্লি, সেপ্টেম্বর২০(এজেন্সি)ঃ** নহা ওইরিবা টেষ্ট পাইলোট অমা ওইনা টেজাস ফাইটর জেট পাইখিবা অমসুং ফ্রান্সনা শাবা রাফেল ফাইটর জেট পাইবদা অহানবা আই এ এফ ওফিসারশিংগী মনুংদা য়াওখিবা এয়ার মার্সেল আই কে এস ভাদৌরিয়াবু ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা মথংগী চীফ ওফ এয়ার ষ্টাফ ওইনবা খনখ্রে অমসুং সেপ্তেম্বর ৩০ দা হৌজিক্কী ইয়ার চীফ বি এস ধনোৱাদগী ফম অদু পাইহৌরগনি। তোঙান তোঙানবা মখলগী ফাইটর জেটশিং অমসুং ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ ২৬ তা পুং ৪২৫০ হেন্না পাইরকখ্রবা ভেটেরান ফাইটর পাইলোট অমা ওইরবা এয়ার মার্সেল ভাদৌরিয়া (৬০) না ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স (আই এ এফ)কী মকোক ওইনা চহী অনীগী মতম থবক পুগনি।



হৌজিক এয়ার চীফ ওইরিবা অসিগী হেক মথংদা এয়ার মার্সেল ভাদৌরিয়ানা খ্বাইদগী সেনিয়ার মোষ্ট ওফিসারনি। মহাক হৌজিক ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ভাইস চীফনি। মমাঙদা মহাক্না পাইরমখিবা ফমশিংগী মনুংদা সাওদর্ন এয়ার কম্মান্দ অমসুং ট্রেনিং কম্মান্দ অনীমক্কী এয়ার ওফিসার কম্মান্দিং ইন–চীফ য়াওরি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী দিপুটি চীফ ওইনা, ২০২০ গী অঙনবদা অহানবা বেটচ অদু আই এ এফতা পীরক্লগদবা রাফেল জেট ৩৬ কী ৱাথোক ওইবা লৈবগী থবক অদুগী ইন্দিয়ান নেগোসিয়েটিং টিমগী চীয়ারমেনসু ওইখি।

এয়ার মার্সেল অসি জুন ১৯৮০দা এয়ার ফোর্সকী ফাইটর ষ্ট্রিমদা থমখি। লৈবাকসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা কেদেটতা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা ‘স্বোর্দ ওফ ওনর’ ফংদুনা নেস্নেল দিফেন্স একাদেমিদগী গ্রেজুয়েসন তৌরকখি।

এয়ার মার্সেল ভাদৌরিয়া মনা কয়ানা লৈতেংলবা ওফিসার অমনি। পরম ভিশিষ্ট সেবা মেদল, অতি ভিশিষ্ট সেবা মেদল অমসুং বায়ু সেনা মেদলগুম্বা দিষ্টিংগুইষ্ট সার্ভিস অমসুং গেলেন্ট্রি এৱার্দশিং ফংখ্রে।

---

# মালেমদা ইন্দিয়াগী খুদোল, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা য়ু এনদা গান্ধি সোলর পার্ক শঙ্গারগনি



**নিউ য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২০এজেন্সি)ঃ** ইন্দিয়ানা য়ু এনদা পীবা অসিগুম্বা মখলগীদা অহানবা সিম্বোলিক ওইবা খুদোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুনাইটেৎ নেসনসদা চৎপা মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা মথং চৈয়োলদা কিলো ৱাট ৫০ গী গান্ধি সোলর পার্ক অমা শঙ্গারগনি। মসি ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা চুন্নগী ৱাহৈ ঙাক্তা ঙাংবগী ৱাংমদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী ইন্দিয়াগী অনিংবা অদু উৎলিবা ইংগিৎ অমনি। দোলর মিল্লিয়ন অমরোমগী কন্ট্রিব্যুসন অমগা লোয়নননা ইন্দিয়ানা য়ু এন মেম্বর ষ্টেট ১৯৩ খুদিংমক্কী সোলর পেনেল অমমম ওইগদবা নিউ য়োর্কতা লৈরিবা য়ু এন হেদক্কার্টরসকী য়ূমথক্তা ইন্সটোল তৌরিবা সোলর পেনেলশিং অদু ইন্দিয়ানা খুদোল তৌখি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা য়ু এন হেদক্কার্টরসতা সোলর পার্ক অদু রিমোটলি শঙ্গাগনি । মসিদা নৎতনা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগীদমক সেপ্তেম্বর ২৪ দা অখন্নবা নীংশিং থৌরম অমদা গান্ধি পিছ গার্দেনসু শঙ্গাগনি। থৌরম অদুদা মহাত্মা গান্ধিগী চহী ১৫০ মতাংদা অখন্নবা য়ু এন পোষ্টেজ অমসু পুথোক্কনি।

য়ু এনদা ইন্দিয়াগী পার্মিনেল রিপ্রজেন্টেটিব, এম্বেসেদর সায়েদ অকবরউদ্দিননা ঙরাং পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা হায়, লেভেল য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি সেসন মনুংদা ইন্দিয়াগী থৌদাং অদু এক্সন–ওরিয়েন্টেদ ওইগনি অমসুং থবকশিংদু মিৎনা উবা ফঙগনি, সোলর পার্ক অদুনা মদুগী খুদম অমনি হায়খি। সোলর পেনেলশিং অদু কিলো ৱাট ৫০ গী পৱার পুথোকপা ঙম্মী। পার্ক অসিদা পুথোক্লিবা ইনরজি অসি কোইলা কিলোগ্রাম ৩০,০০০ মৈ থারগা পুথোকপা ইনরজি অদুগা মান্নগনি।

মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা চহী থৌরম নীংশিংদুনা য়ু এন হেদক্কার্টরসতা ইকোনোমিক এন্দ দ সোসিয়েল কাউন্সিল (ই সি ও এস ও সি) চেম্বরদা সেপ্তেম্বর ২৪ দা প্রাইম মিনিষ্ট নরেন্দ্র মোদিনা ‘লিদরসিপ মেট্টরসঃ রিলেভেন্স ওফ গান্ধি ইন দ কন্টেম্পোরারি ৱার্ল্ড’ হায়বা অখন্নবা থৌরম অমসুং শিনগনি। অখন্নবা থৌরম অসিদা য়ু এন সেক্রেটরী জেনরেল এন্টোনিও গুটরেস, সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে–ইন, শিঙ্গাপোর প্রইম মিনিষ্টর এম লি সিয়েন লুং, বঙ্গলাদেশ প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হাশিনা, জামাইকাগী প্রাইম মিনিষ্ট এন্দ্রিয়ু হোলনেস অমসুং নিউ জিলেন্দ প্রাইম মিনিষ্টর জেশিনদা আরদের্ননা ৱা ঙাংগনি।

বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসননা সেপ্তেম্বর ২৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৯ ‘গ্লোবেল গোলকীপর এৱার্দ’ খুদোল তমগনি।

মসিগী ইকাই খুন্নবা অসি মখোয়গী লৈবাক্তগী নৎত্রগা মালেমগী ওইনা মশক থোকপা থবকশিং পাঙথোক্কুনা গ্লোবেল গোলশিং ফংনবা মখোয়গী ফীরেপ থবক ওইনা উৎথোকপা পোলিটিকেল লিদর অমদা পীবা অখন্নবা রিকগনিসন অমনি। প্রাইম মিনিষ্ট নরেন্দ্র মোদিবু মসিগী ইকাই খুন্নবসি পীগদৌরিবসি ওক্টোবর ২, ২০১৪ দা মহাক্না হৌদোকখিবা ‘স্বাছ ভারত মিসন’ মাঙজিল থানা লুচিংখিবা অদুগীদমক্নি।

---

# সেন্টরনা রেলৱে য়ুনিটশিংবু কোর্পোরেতাইজেসন তৌনবা কন্না হোৎনরিবদু তোক্কদবনিঃ বীরাপ্পা মোইলি

**নু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২০(এজেন্সি)ঃ** রেলৱে য়ুনিটশিংবু কোর্পোরেতাইজেসন তৌনবা ৱাফম হৌদোরক্লিবদুনা য়ুনিটশিং অসি থবক ফজনা পাঙথোক্লিবা মরমনা মদু অরানবা পাউতাক ওইগনি হায়রদুনা সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর এম বীরাপ্পা মোইলিনা ঙসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা কন্নবা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

রেলৱে বোর্দনা শেম্বা দোকুমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান রেলৱেজনা মখোয়গী প্রদক্সন য়ুনিটশিং–ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চিত্তরঞ্জন লোকোমোটিক ৱার্ক্স, চেন্নাইদা ইন্টিগ্রেল কোচ ফেক্টরি, কপুরথালদা রেল কোচ ফেক্টরি, বারনাসিদা দিজেল মোদর্নাইজেসন ৱার্ক্স, বঙ্গালোরদা হুইল এন্দ এক্সল প্লান্ট অমসুং রৈ বরেলিদা মোদর্ন কোচ ফেক্টরিগী মপুং ফাবা ষ্টদি অমা চথ্বগনি হায়না হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা হায়খি। হায়রিবা প্রদক্সন য়ুনিট ৭ অসি থবক ফজনা পাঙথোক্লিবা মরমনা গভর্ণমেন্টগী খোঙাং অদু অরানবা পাউতাক অমা ওইগনি। য়ুনিটশিং অসি টেক্স পেয়রশিংগী সেলনা শাগৎখিবা মীয়ামগী ললনি। অমুক্কা হেন্না মরু ওইরিবনা পুথোক্লিবা পোৎকী মগুন অমসুং য়াম্বগী চাং অনীমক্তা য়ুনিটশিং অসিনা অফবা থবক তৌরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মিষ্টর মোইলিনা হায়খি।



কোর্পোরেতাইজেসননা এদমিনিষ্ট্রেসন কায়হল্লকপা য়াই অমসুং লন্নাই ওইনা পূর্লিং চঙশিনবা হন্থল্লক্কনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা হায়খি মরম অদুনা লৈবাক্কীদমক খল্লগা গভর্ণমেন্টনা রেলৱে য়ুনিটশিং, মরু ওইনা রেলহুইল ফেক্টরি (বঙ্গালোর) কোর্পোরেতাইজেসন তৌবদগী থিংবা ফৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

---

# য়ু এন চীফনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিদা কাস্মির ৱাথোক খন্নরবা য়াইঃ ৱাঙাংলোই

**য়ুনাইটেদ নেসন, সেপ্টেম্বর ২০(এজেন্সি)ঃ** মথং চৈয়োলদা অৱাংবা থাক্কী য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি সেসন মনুংদা য়ু এন সেক্রটরী জেনরেল এন্তোনিও গুইটরেসনা খন্ন–নৈনবগী তাঞ্জা অদু লৌদুনা কাস্মির ৱাথোক পুখৎলবা য়াই হায়না য়ু এন চীফকী ৱাঙাংলোইনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এন সেক্রটরী জেনরেলগী ৱাঙাংলোই ষ্টেফেন দুজাররিকনা নুংতিগী প্রেসতা পীবা পাউদমদা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি ৱারী শান্নবনি হায়না য়ু এন চীফনা খল্লি হায়খি। মওং খুদিংমক্তা মীওইবগী হকশিং শোয়দনমক ঙাক্তুনা থন্নবা কস্মিরগী হৌজিক্কী ৱাথোক অসি ৱারোইশিন পুরকপা মথৌ তাই হায়খি।



কাস্মিরগী ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা ফংনবগীদমক মিষ্টর গুইতরেসনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ৱারী শান্নবা চপ চানা মথৌ তাবা মচাক অমনি হায়না য়ূমশাকৈশা নুমিতা চেৎনা পনখি। জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মতাংদা পাকিষ্টানি জর্নেলিষ্ট অমনা য়ু এন সেক্রটরী জেনরেলদা হংখি অমসুং কাস্মির ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা মহাক্না করি তৌগনি হংখি।

মদুদা সেক্রেটরী জেনরেলনা–টেরিটোরি অদুদা মীওইবগী হক শোয়দনমক মপুং ফানা ইকাই খুন্নগদবনি হায়বসি ঐগী ময়েক শেংলবা মত অমনি। ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ৱারী শান্নবা হায়বসি চপ চানা মথৌ তারবা মচাক অমনি হায়বসিসু ঐগী ময়েক শেংলবা মতনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা মতম পুন্নমক্তা জম্মু এন্দ কাস্মিরবু ইন্দিয়াগী শেৎতোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না খল্লি অমসুং মসিগী মতাংদা লৈরিবা ৱাথোক অসি পাকিষ্টানগা ইন্দিয়াগা অনীখক্কী মনুংদা লৈবা ৱাথোক্নি হায়রদুনা য়ু এন নৎত্রগা য়ু এসতগী য়াওনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমত্তনা খুৎ থিংজিল্লকপগী মথৌ তাদে হায়বগী ফীরেপ লৌরি। য়ু এন সেক্রেটরী জেনরেলনা নাকন অনীগী মরক্তা শন্তাইননবা হায়রকপা তারবদি মহাক্কী গুদ ওফিসশিং ফংগনি হায়না হন্না হন্না ফোঙদোকখ্রবনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা উংখৎনবা হেংগৎ–লকখিবসি নিউ দেল্লীনা ওগষ্ট ৫ দা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী টেম্পোরেরি স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোকখিবা মতুংদগীনি।

পাকিষ্টাননা কাস্মির ৱাথোকপু মালেমগী ৱাথোক ওইহন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু আর্টিকল ৩৭০ মুথৎখিবা অদু ইন্দিয়াগী মনুংগী ওইবা হীরন্নি হায়না ইন্দিয়ানা লেপ্পি।

পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা নিউ য়োর্কতা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি সেসনদা কাস্মির ৱাথোক সেপ্তেম্বর ২৭ তা পুখৎনবা ৱাশকখ্রে। হায়রিবা নুমিৎ অসিমক্তদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু মীফম অসিদা ৱা ঙাংগদৌরিবনি।

---

# টাটা মেমোরিএল হোস্পিটালনা মরায়বক থীরবা কেন্সর নাবা অঙাংশিংবু লেম্না লায়েঙলি, লৈফম–চাফম পীরি

**মুম্বাই, .....(এজেন্সি)ঃ** হৌখিবা চহী ২০১৮দা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা কেন্সর লায়না লায়েঙবা হোস্পিটাল – টাটা মেমোরিয়েল হোস্পিটাল, পারেলনা কেন্সরনা নারবা অঙাং ২,৮০০ লেম্না লায়েঙনবগীদমক লূপা ক্রোর ৩৫গী শেন্ফম অমা দোনেসনশিংদগী ফংখি।

মসিগী মমাঙ কুমজা ২০১৬তদি হোস্পিটাল অসিদা কেন্সরগী অনাবা অঙাং অনাবশিংগীদমক দোনরশিংনা কৎনরকখিবা ফন্দ অদু লূপা ক্রোর ২০ লোম ওইখি।

মশাগী চহী ১৫গী মখাদা লৈবা কেন্সর লায়নানা নারবা অঙাং খুদিংমকপু লেম্না লায়েঙ পীনবগীদমক হোস্পিটাল অসিগী পেদিয়াট্রিক দিপার্টমেন্টনা সুপ্নগী লূপা লাক্ষ ৫০ খক্তগী কল্লেক্সন অমগা লোয়নননা কুমজা ২০০৯দগী হৌদোকখিবা থৌরাং অসিনা হেল্ঠকেয়ার পীবগী থবক্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী হেন্না মীয়ামগী থম্মোয় পেলহনবা ঙম্বা থবকশিংগী মনূংদা অমা ওইরকখি।

হোস্পিটাল অসিগী, হৌজিক মেম্বর ৫০ হেনবগী টিম অমা লৈরবা পেদিয়াট্রিক দিপার্টমেন্ট অসিনা লেম্না লায়েঙনবখক্কীদা নত্তনা হোল্লিষ্টিক সপ্পোর্ট পীনবগীসু ফন্দশিং শেমগৎলি। মসিদা লৈননবা মফম পীবা, চথোক–চৎশিনগী ফন্দশিং পীবা অমসুং চাননবা চিঞ্জাক অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক মচলশিং ফংহন্নবা, লোয়নননা থা ৬তগী চহী ২ ফাওবগী মহৈতম্বা ফংহৌখিদ্রবা অঙাংশিং অদুগীদমক স্কুলিং পীবনচিংবসু য়াওরি।

অশুক য়াম্বা চাংদা ফন্দিং পীনবা হোৎনরিবসিগী মরমদি, অঙাং অনাবশিংগী মরক্তা লায়েঙবা মখা চথদনা তোকখিবগী থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীনি।

মমিং চৎলবা অমসুং ঈজৎ লৈরবা মেদিকেল চেফোঙ ‘পেদিয়াট্রিক ব্লদ এন্দ কেন্সর’না চহী অসিগী মার্চতা ফোঙখিবা আর্টিকল অমদা অনাবশিংদুবু কন্টেক্ট তৌনদুনা থিরগা হোল্লিষ্টিক সপোর্ট অসিনা লায়েঙ মপূং ফাদনা লায়েঙবা তোক্কুনা চৎখিবা অঙাং অনাবগী চাং চাদা ২০ ওইরম্বদগী চাদা ৪ য়ৌদবগী চাংদা করম্না হন্থহনবা ঙম্লকখিবনো হায়বদুগী মতাংদা ইখি।




অহলশিংগী মরক্তা সুপ্নগী কন্ট্রোল তৌদুনা থম্বা ঙম্বা কেন্সর অদু অঙাংগীদদি লায়েঙলগা মপূং ফানা ফহনবা ঙম্মি। লায়েঙদুনা ফহল্লবা মতুং অঙাংশিং অসিনা চহী ৭০ ফাওবদি খুন্নাই অসিদা মখোয়গী মমল লৈরবা থৌদাং কয়া য়ারকপা ঙম্মি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জিগী মখাদা থবক তৌরিবা টাটা মেমোরিয়েল সেন্টরগী একাদেমিক দাইরেক্টর ডো. এস দি বনাবালিনা হায়।

পারেল সেন্টরদা লাকপা অঙাং খুদিংমক শোয়দনমক্কী লায়েঙ ফংহন্নবগী অমসুং মখোয়গী ইমূং –মনূংগী ফিভমগী ৱা থমদনা অতৈ শৌগৎপা ফংহন্নবগী পান্দমগা লোয়নননা কুমজা ২০০৯–১০দা হোস্পিটাল অসিনা আই এম পি এ সি সি টি (ইম্প্রুভিং পেদিয়াট্রিক কেন্সর কেয়ার এন্দ ট্রিটমেন্ট) ফাউন্দেসন লিংখৎখিবনি।

ইম্পা সি সি টি ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি শালিনি জাতিয়ানা মরুওইনা কোরপোরেট হাউসশিং, লন্নাই মীওইশিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর / চীফ মিনিষ্টর ফন্দশিংগুম্বা মখল কয়াগী সোর্ছশিংদা ফন্দ খোমগৎলি হায়খি। অপুনবা ফন্দ অসিগী চাদা ৫৫ হেনবদি কোরপোরেট ফন্দিংগীনি হায়না মহক্না হায়খি।

টাটা মেমোরিয়েল হোস্পিটালনা শৌগৎপা পূম্বসি ফংবগী মরমদি মসি দিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জি (দি এ ই)গী মখাদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী গ্রান্ট – ইন–এইদ ইনষ্টিট্যুৎ অমা ওইবা মরমদগীনি। অতোপ্পা অচৌবা মরম অমনা কোরপোরেটশিংবু মখোয়গী শেন্দানশিংদগী কোরপোরেট সোসিয়েল রেস্পেন্সিবিলিটি (সি এস আর) রুলস, ২০১৪না মখোয়বু সি এস আর পাংথোকপা মথৌ তাহনবা মরমদগীনি হায়না ডো. বনাবালিনা হায়খি।

কুমজা ২০০৯দা অঙাং ১,৪০০গী চাদা ২০ লায়েঙবা তোকখিবদা মশীং অসি কুমজা ২০১৪দদি চাদা ৩.৭ ওইদুনা য়ান্না ফজনা হন্থরকখি হায়না ইম্পা সি সি টি ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি শালিনি জাতিয়ানা হায়খি।

অদুবু চহী অসি (২০১৮)দা লায়েঙনবগী রেজিষ্টর তৌরকখিবা অঙাং মশীং চপ চানা শরুক ২ রোম হেনগৎলক্তুনা অঙাং ২,৮০০ রোম শুরকখি।

পেদিয়াট্রিক ওনকোলোজি য়ুনিটতা চথবা ইন্টরনেল ওদিট অমনা কুমজা ২০০৯দা কেন্সর নারবা রেজিষ্টার তৌরকখিবা অনৌবা অঙাং ১৪০০গী মনূংদা চাওরাক্লা চাদা ৭০ রোম খুন্নাইগী অনেম্বা থাক্তগী ওইরমখিবা অমসুং মখোয়গী মমা–মপাশিংদুসু চাদা ৬০না লারিক–লাইশু অমত্তা হৈতবা ওইরম্বা থেংঙনখিবদগী মসিগী থবক অসি পায়খৎপা হৌরকখিবনি হায়না শালিনি জাতিয়ানা হায়খি।

মমা–মপাশিং অসিগী চাদা ৯০ হেনবনা মখোয়গী অনাবা অঙাংশিং অদুবু লায়েঙনবগীদমক মুম্বাই তাননা শাংলবা লমশাঙশিং চৎপা তাখি। চহী অদুদা অঙাংশিং অদুগী চাদা ২০লোমদি লায়েঙবা মপূং ফাদ্রিঙৈদা তোক্কখি। মখোয়না লায়েঙবা মপূং ফাদনা তোকখিবগী মরমশিংদু –অতোপ্পা মমল থোইনা চংদনা লায়েঙনবা থিনবা, মমা–মপাশিংদুগী মনূংদসু চুন্না লায়েঙ চথগদবনি হায়বগী ৱাখল তাহনবীবা ৱাৎপা অমসুং মরুওইনা মখোয়গী অতৈ মচাশিং লৈবা, লোয়নননা মচানুপী অঙাংশিংগী মায়েক্তা জেন্দর বাইয়স লৈবা অসিনচিংবননি হায়না ফাউন্দেসন সেক্রেটরি অসিনা মখা তাখি।

কেন্সর নাবা অঙাংশিং অদুগী মনূংদা কয়া অমদি মচি ওইবা চিঞ্জাক ৱাৎপসু থেংনখিবা অদুদা অনাবা অঙাংশিং অমসুং লায়েঙনবা মখোয়বু লোয়নরক্লিবা ইমূংগী মীওইশিং অদুদা অখন্নবা পুথোক্লবা চাক্লেনশিং লেম্না পীজনবা পেদিয়াট্রিক দায়টিসিয়ানশিংগা খুৎশন্নখি। অঙাং অনাবশিং অমসুং মখোয়গা লোয়নরক্লিবশিং অদুগী লৈফম, মচি ওইবা চিঞ্জাক অমসুং চথোক–চৎশিন পূন্নমক ফংহন্নবা এন জি ও ১২ রোমগা খূৎশন্নরগা থবক চথখি।

মসিদা এন জি ও অমনা তৌখ্রবা থবক অমা অতোপ্পা এন জি ও অমনা অমুক হঞ্জিননা তৌবগী থৌদোক শুকথোক – থোকহন্দনবসু ঐখোয়না চেকশিন্না হোৎনৈ। খুদম ওইনা, এন জি ও অমনা অনাবা অঙাংশিং অমসুং মখোয়গী ইমূংগী মীওই অদুগী লৈফম পীনবা শিনখ্রবদি, অতোপ্পা এন জি ও অমদা এম্বুলেন্সকী থবক অমা শিন্নৈ হায়না জাতিয়ানা মখা তাকি।

অমুক হন্না উন্ননবা অমসুং লায়েঙ মখা চথনবা খঙহনখিবদা লাকখিদবা অঙাং অদুগী মমা–মপাশিংদুবু কৌনবা ট্রেক্কিং সিষ্টেম অমসু টিম অসিনা পুথোকই। মসি ঐখোয়গী অনাবশিংদুগী মরক্তা অমনা পুথোকখিবা অচম্বা এক্সেল–বেজ প্রোগ্রাম অমনি। মখা তাবা লায়েঙগীদমক অমুক হন্না লাকখিদ্রবা অনাবা অমা মশক খঙনবা হোৎনবদা সিষ্টেম অসিনা ঐখোয়দা মতেং ওইদুনা ঙমহল্লি।

পূং ২৪গী মনূংদা দাটা মেনেজর অদুনা ইমূং অদুবু কৌখৎলি অমসুং করিগুম্বা মথৌ তারবদি সোসিয়েল ৱার্কর অমনা য়ামদ্রবদা থা অমা ফাওবা মখোয়বু মখা তানা পাউ ফাউনহন্দুনা লৈ।

খুদক্কী ওইবা থৌরাং অনীসু লৈ। গ্রোথ হোর্মোন ইঞ্জেকসনগুম্বা মখা তাবা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট মথৌতাবা, লায়নাদুদগীদি ফখ্রবা অঙাংশিংগীদমক হোস্পিটাল অসিনা ‘সরভাইভর্স ফন্দ’ হায়বা অমা শেন্নবগী মায়কৈদসু থবক চংশিল্লি। অনাবশিংগীদমক পীনবা মতেং অদু লৈরবসু, অনাবা খরা অমগীদি লায়েঙবা অদু লোয়রবা মতূংদসু মেদিকেল কেয়রগী মথৌ তাবা লৈরি।

হেন্না মরুওইরিবা অমনা ইম্পা সি সি টি ফাউন্দেসন টিম অসিগী খূৎতা বারানসি, বিসাখাপত্নম অমসুং গুৱাহাটিদা লৈরিবা অতৈ টাটা মেমোরিয়েল হোস্পিটালশিং অসিগীদমকসু ফন্দশিং খোমগৎনবগী থবক অদু শিন্নরক্লি।

ঐখোয়না তৌরিবা থবক অসিগী ৱাখল্লোন অসি কেন্সর লায়নানা নারবা মরায়বক থীরবা অঙাংশিং অদু লায়েঙবা খক্তা নত্তনা অঙাং অদু অমসুং মাবু লোয়নরক্লিবা ইমূংগী মীওই অদুনা লায়েংনবগীদমক তঙাইফদ্রবা লম্বী চথোক –চৎশিন অদুগীসু শেনগী অৱাবা পোৎলুম লৈহন্দনা ঈজৎ লৈনা চৎচবা ঙন্নবা, ৱাখল ৱানা তুশোন–মাঙ্গোননা চৎহন্দবা হায়বা অসিমসুনি হায়না অরোইবদা ইম্পা সি সি টি ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি শালিনি জাতিয়ানা ফোঙদোক্লি।

---

# অমাজোননা ২০৪০ ফাওবদা কার্বোন ন্যুট্রেল ওইনবা ৱাশক্লি, ইলেক্ট্রিক ভেন ১০০,০০০ লৈগদৌরি

**ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ২০(এজেন্সি)ঃ** অমাজোন চীফ জেফ বেজোসনা ২০৪০ ফাওবদা য়ু এস টেক্নোলোজি এন্দ রিটেল জাইন্ট অসিবু কার্বোন ন্যুট্রেল ওইহন্নবা ৱাশকখ্রে, লোয়নননা চহী ১০ ঙনখৎনা পেরিস ক্লাইমেট এক্কোর্দকী পান্দমশিং অদু ফঙবা ঙমহন্নবা থৌরাং অদুদা অতৈ ফার্মশিংবুসু অসুন্না তৌবদা পূক্লিং থৌগৎনবা ৱাশকখ্রে। য়ু এসকী কোনুং অসিদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা অমাজোন চীফনা এনভাইরোনমেন্টেল ইশুশিংদা শোৎথনা লৈবগীদমক ফার্মগী মিংচৎ থীবদু কোকহন্নবা পান্দমদা ঐখোয়না লম্বী অদুদা লুচিংবদা ঐখোয়গী স্কোপ অমসুং ঐখোয়গী স্কেল শীজিন্নবা পাম্মী হায়খি। চহী অমদা আইটেম বিল্লিয়ন ১০ হেন্না পীরিবা অমাজোনগুম্বা ফিজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবা কম্পানি অমনা পেরিস এগ্রীমেন্ট অদু চহী ১০ ঙনখৎনা পাঙথোকপা ঙম্বা তারবদি, অতৈ কম্পানিসু ঙমফম থোকই হায়খি। খোঙথাং অসিগী মনুং চনবা থবক অমা ওইনা কম্পানি অসিগী কার্বোন ফুটপ্রিন্ট হন্থহন্নবা ভেহিকল ষ্টার্ট–অপ ‘রিভিয়ান’দগী ইলেক্ট্রিক দিলিভরি ভেন ১০০,০০০ লৈনবা অমাজোননা য়াখ্রে হায়না বেজোসনা হায়খ্রে। অমাজোননা রিভিয়ান্দা দোলর মিলিয়ন ৪৪০ গী ইনভেষ্টমেন্ট অমসু হান্না লাওথোকখ্রবনি।

---

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-246**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 9 | | | | | 1 | 8 |
| 8 | 3 | | | | 1 | 2 | | |
| 6 | 1 | 2 | 9 | | | | | |
| | | 1 | 5 | | | | 9 | 2 |
| 2 | | | 8 | | 6 | | | 3 |
| | 9 | | 1 | 3 | | 8 | | |
| | | 8 | | 2 | 9 | 3 | | |
| | | | | 7 | 8 | | | 1 |
| | 2 | | | 1 | | | 8 | |

**GAS TODAY**

SANTHE BAZAR INDANE
Booking : UP TO DATE
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**সনা–সুদোকু – ২৪৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 9 | 6 | 4 | 1 |
| 6 | 5 | 4 | 1 | 7 | 2 | 9 | 8 | 3 |
| 2 | 3 | 1 | 9 | 4 | 6 | 8 | 7 | 5 |
| 7 | 9 | 8 | 2 | 5 | 3 | 1 | 6 | 4 |
| 5 | 4 | 6 | 8 | 1 | 7 | 2 | 3 | 9 |
| 4 | 6 | 3 | 7 | 2 | 1 | 5 | 9 | 8 |
| 9 | 1 | 5 | 4 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 7 | 2 | 3 | 9 | 5 | 4 | 1 | 6 |